মতম মতমগী ৱাফম

# মণিপুরী লোল অমদি ৮শুবা সেডুল্ড

**মণিপুরী** লোলনা ভরত সংবিধানগী ৮শুবা সেডুল্ডদা চলহন্নবা হোৎনবদা লমদমসিগী মীয়াম্না চহী কয়া চূপ্না মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখিবা, মণিপুরগী মপানদা মণিপুরীনা খুন্দাবা লমশিংগী মীওইশিংনসু হৌরক্তুনা পূন্না চঙশিনমিন্নখিবা খন্ন-নৈনবা,খোঙচৎ কয়া চৎখিবদু নৌহৌননা নীংশিংলুবদা পূক্নিংদা কি-তূচুংবা ফাওই। ৮শুবা সেডুল্ডদা চলহল্লু হায়না হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা মীওই কয়া অশোক-অপন কয়া নঙখি। লৈখিদবা কনা কনানো, শোক পনখিবা মীশিং কয়ানো হায়বা মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেডুল্ডদা চনখিবদগী পূন্নমক ঙসিদি নোংমা নোংমগী কাওনরক্লি। ঙসি অগষ্ট ২০, ২০১৭ নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরী লোলগীদমক কৎথোকপীখিবা পূন্নমকশিংবু নৌহৌননা নীঙশিংদুনা ইকায়-খূম্নবা উচ্চরি। মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেডুল্ডদা চনখিবসি ঙসি চহী ২৫ মপুঙ ফারে। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা মতুংদগীদি মখা তারকপদা, মরী লৈনবা ডিপার্মেন্ট, থৱায় য়াওজবা, লোলবু চাউখৎহন্নিংবা মীওই খরখক্না হোৎনবা নত্তনা মীয়াম্না লোলগীদমক পাকশন্না চঙশিনবা ৱাৎলক্লি। তৌবগীবুদি, লোলগী মরমদা অখঙ-অহৈনা থবক লৌখৎপা নত্তনা মীয়াম হুপ্না তৌশিনবা য়াবদি নৎত্রে। অখঙ-অহৈশিংগী মরক্তা শোক,তাং কয়াদা মণিপুরী লোল ৮শুবা সেডুল্ডদা চনখি হায়বা খঙনদবা, কাওখিবা মীসু অচিনবা লৈনবনা ফনা য়াম্না য়াওনরম্লগনি। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা মতুংদা মণিপুরী লোলগীদমক চাউখৎনবা করি তৌগদগে অমদি সেদুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা ফংলিবা কান্নবা অসিনা করি করিনো হায়বসিমদি মীয়াম্না পাকশন্না খঙনদনা শাংলবা মতমসি লৈরক্লি। মণিপুর সরকারনসু সেডুল্ডদা চল্লবা লোল অসিগীদমক লৈফম থোকপা, পাংথোকফম থোকপা থবকশিং খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ৱাৎনা উই।

ভরত সংবিধানগী ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা ফংগদবা কান্নবশিংগী মনুংদা মরুওইবশিংদিঃ- পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমনা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন ফম্বদা মহাক্কী মমালোলনা ৱা ঙাঙবা য়ারি। ভরত সংবিধানগী লেঙ্গুয়েজ কম্মিসন অমদি কমিটিদা মেম্বর অমা ওইনা শরুক য়াবা য়াই। ওল ইন্দিয়া রেডিও, টেলিভিজন নেটৱার্ক, দুরদর্শনগী থৌরমদা ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোল ওইরবদি মমালোলনা থৌরম শন্দোকপা য়াই। নেস্নেল ফিল্ম এৱার্দ অমদি ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিংদা ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা মমা লোন ঙাঙবা ফিলমশিং চাংদম্নবা য়াওবা য়াই। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোল ওইরবদি, সাহিত্য একাদেমীনা ইকায়খূম্নবা উৎতুনা মমালোন্দা ফোঙবা লাইরিকশিং এৱার্দকীদমক থাগৎপা য়াই অমদি মশক খঙবী। য়ু.পি.এস.সি অমদি সিভিল সার্ভিসেসকী পরিক্ষাশিংদা ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোল ওইরবদি মমালোলনা থাবা য়াহল্লি। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা তম্নবগীদমক এন.সি.ই.আর.টিগী সেলেবসতা য়াওবা, হাপ্পা য়াবগী খুদোংচাবা পীরি। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংদা মমারোলবু চাউখৎনবা কম্পলসরি সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবগী হাপলকপদা অয়াবা পীরি। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা মখোয়গী মমা লোল চাউখৎনবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর অমদগী তাদনা সেন্টরনা শেন্থং ফংহনবগী খুদোংচাবা লৈ। ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লবা লোলশিংনা মখোয় মখোয়গী লোল চাউখৎনবা ট্রেনিং ইন্সটিটুট হাংবা, অতোপ্পা লোলদা হন্দাক্তুনা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবগী থৌরাং, লেঙ্গুয়েজ ডিভেলপমেন্ট সেল, লেঙ্গুয়েজ পোলিসি মেকিং অমদি অতৈ মখল মখা কয়াগী খুদোং চাবা পীরি।

মণিপুরী লোলনা ভরত সংবিধানগী ৮শুবা সেডুল্ডদা চলহন্নবা হোৎনরকপগী খোঙহৌসি ঙসি ঙরাং হেক্তা তরাই তরাইনা ওইরকখিদে। মণিপুরদা লাইরিক লাইশু তম্বগী ৱাখল্লোন, এদুকেসন সিষ্টেম অসি থেঙনা লাকখি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙনরে। ঐখোয়গী মীওইশিং লাইরিক তমলকপা কুইদ্রি। লাইরিক তম্বা অমাংবনি হায়না লৌনরম্বগী মতম শাংনা লৈখি। লাইরিক তম্বদা হায়স্কুলগী থাক্তগী মখা তম্বা তারবদি মপাল লমদা চৎতুনা তমলুদ্রগদি অতোপ্পা মাহে তম্ফম অমফাওবা লৈরমদে। অঙনবা মতমদা, মৈতৈ মচানা মপাল লমদা লাইরিক মখা তম্বা চৎপদা থেংনখিবা খুদোং চাদবা কয়াগী ৱারী লৈ। ৱারীশিং ঙসিগী মীরোলনদি পন্নদ্রে খোরিরোল শুবশিংনদি নীংশিংনরি। মীরোলনা লাইরিক তম্বগী পূক্নিং নুংশিবা, ইশাগী ঈরোল ঙাঙবা ফংদবগী অৱাবা, শেল-থুমগী ফিভম চাদবা, মখল কয়া কয়া, মাঙলমচৎকী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা মায়োক্নখি। লাইরিক তম্বদগী হৌনা পেন্দ্রবা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা ঈরোলদা লাইরিক তম্বা য়ানবা ৱাকৎ কয়া লাকখি। অৱাবা অসি কোক্লবা মৈতৈলোন চাউখৎনবা হোৎনবনা অহানবা খোংথাং ওইনা চঙশিনবা হৌরকখি। মৈতৈলোন (মণিপুরী লোন) অসি মোডর্ন ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজ ওইনা শক খঙনবা হোৎনবা হৌরকই। মৈতৈলোনবু ইলেক্টিব সবজেক্ট ওইনা বি.এ. ফাওবা তম্বা য়াহনবা, মপালগী য়ুনিভর্সিটিদা মখা তানা এম.এ. মণিপুরী হাংনবা থৌরাং তৌবা, অসুম্না মথং মথং চঙশিনলকখি। হায়রিবা খোঙজংশিং অসি ঙসিদগী চহী মরিফুরোমগী (চহী ৮০) মমাংদগী চাওরাক্না (১৯৩০) অদুৱাইদগী হৌরকখ্রবনি। ভারতনা নীংখা তম্লবা মতুং চহী তরুক্কী (৬) মতুংদা হায়বদি ১৯৫৩ অদুৱাইদগীদি লাইরিক-লাইশু,খঙ-হৈরবা ঐখোয়গী ওঝা-গুরুশিং, অহল-লমনশিংনা মোডর্ন ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজ ওইনা শক খঙবিনবা তকশিনবা হৌরকই। লোনদি মৈতৈলোন (মণিপুরী) ওইজরগসু ময়েক্কী মতাংদি থোইনা খন্নখিদে। ঐখোয় মৈতৈশিংনা লাইরিক তম্বা হৌরকপদগী হৌনা বঙ্গলা লোল অমদি বঙ্গলা ময়েক্তা তমলকখি। মৈতৈ লাইরিক হৈবা হায়রগদি বঙ্গলা লোন খঙবা ঙাঙবা হৈবা অদুবু খঙনৈ। শাজৎসু বঙ্গলি বাবুগী মতৌ তম্বনি। ঐখোয়না হিন্দি নৎত্রগা ইংরাজি লোলদা খরা ঙন্না হন্না তমলম্লগদি লাইরিক য়াম্না হৈরমগনি খল্লি। বঙ্গালি মেডিয়মদা তমখিবা মখোয়গী কলচরদা হৈনখিবনা ইরোল, ইনাৎ কাওনখি। ঐখোয়গী ইয়েক, মৈতৈ ময়েক অসি ঙন্না ঙসি শীজিন্নরিবা, তম্নরিবা অসিগুম্না অঙনবা মতমদা হোৎনরম্লগদি ফনা য়াম্না চাউখৎলগনি। পূন্নমক মীরোল ময়েক্না হান্না তমলুবদগীনি। লাইরিক তম্বদা মাংবা-শেংবা, লাইরিক হায়বসি মীচমনা তম্বা য়াদবা, অপীকপা ৱাখল কয়া লৈখিবনা লোল অমদি ময়েক্কী চাউখৎহনবদসু য়াম্না খুরৌ থাংখি, থেংথহনখি। থেঙনা লাইরিক তপ্না তপ্না তম্নরকপা, মহৈশঙ মতীক চানা লৈতবনা মপাল লমদা মখা তমথনবা চৎপা তারকপা, ঙমদবশিংনা তোকহৌবা কয়ানি। মীরমদা মহৈ তমলুবদগী মমারোল নুংশিবা খঙলকখিবা অইবশিংগী মনুংদা খ্বাইরাকপম চাউবগুম্বা, অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ , হিজম অঙাংহল, হিজম ইরাবত, হৱাইবম নবদ্বিপচন্দ্র শিংথানবা য়াই। ময়ামসিগী মনুংদা খ্বাইরাকপম চাওবগী মফম তোপ তোপ্না ইকায়খুম্নবা য়াবা অইবনি। খ্বাইরাকপম চাওবদি ইমালোল চাউখৎনবা, লোনগীদমক লালহৌখিবা লুচিংবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।



মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেডুল্ডদা চলহন্নব ইম্ফালগী মফমশিংদা চৎখিবা অচৌবা খোঙচৎ ১৯৯২

মণিপুরগী লময়ানবা অইবশিংগী মফমদা মতম অমা লৈনখিবসি- মমালোন নুংশিবনি। ৮শুবা সেডুল্ডদা চলহন্নবগী ৱাখল সিমদি ঙল্লিঙৈগী লৈঙাকলোন অমদি শেনমিৎলোনগী মতুংইন্না কয়া কন্না পন্নবা থেংনদে। ভারতনা নীং-খা তম্বগী, মণিপুরনা নীং-খা তম্বা মাঙখিবগী, রাজনীতিগী অমদি লৈঙাকলোনগী, চেঙ তাঙবগী থৌদোক কয়ানা লোল চাউখৎহন্নবগী,সেডুল্ডদা চন্নবগী থোইদোকপা ৱাখল লৈখিদবসু ওইগনি। চহী কয়া মীয়াম্না কন্না তক্নরকপদগী মণিপুরী লোল ঙসিদি ভারত সংবিধানগী ৮শুবা সেড্যুলদা চন্দুনা ঐখোয়গী মিং য়াওরে। অগষ্ট ২০, ১৯৯২দা ৮শুবা সেড্যুলদা ঐখোয় মণিপুরী লোলগা লোয়ননা নোংমতদা নেপালি, অমদি কোনকানি অসিনচিংবশিং অসি চনখিবনি। কোনকানি অমদি নেপালি লোনশিংগীদি সেদুলদা চনখ্রবা মতুংদা মখোয়গী লোলশিং **চাউখৎনবা ৮শুবা সেদ্যুল্ড অমদি ইদুকেসন, ৮শুবা সেদ্যুল্ড অমদি লিট্রেচর,৮শুবা সেদ্যুল্ড অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন, মেডিয়া এন্দ লেঙ্গুয়েজ, আইন (লো) অমদি লেঙ্গুয়েজ, লেঙ্গুয়েজ অমদি লিটিগেসন, ৮শুবা সেদ্যুল্ড অমদি ওফিসিয়েল লেঙ্গুয়েজ** হায়না হীরম কয়াদা খায়দোক্তুনা, চাউখৎনবা হোৎনবদগী খুমাং য়াম্না চাউশিনখ্রে। ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজ পুথোক্লখ্রে । ঐখোয় মণিপুরী লোলগীদি মখোয়গা য়েংনরুবদা লেঙ্গুয়েজ ডিভেলপমেন্ট পোলিসি অমগী মখাদা তৌবা য়াবা থবক য়াম্না ৱাৎলি। ময়েক্কী নাখৈ শেংদ্রি। লোলগী মতাংসু লোনয়ান অমদি লোনশেংগী দিমাক্রেসন চৎথরি। থবক লেপ্পদি নত্তে, মঙম শানবা ৱাৎপনি। মঙম শান্দবগী মরমদি মতেঙ পাংনবা ৱাৎপা অমদি শেন-থুমগী চঙগদবা মওং কয়া লৈবনা ওইগনি। পোৎশক অমা চাওখৎহনবা হায়বসি শেল চংই, ৱাখল, মতম, পাঙ্গল,থৌনা লোয়নমক চংই। পূন্নমক্কী মথক্তা পুকচেল শেংবা অমদি ৱাখল মান্নবা তায়। অখঙ-অহৈ লৈরিবশিং তান্নমিন্নরগদি থুনা মায়পাক্কনি। ৱা তান্নবা চংই। তৌগদৌরিবা থবকসু য়েম্থোক্লবা চংই। মী অমনা নৎত্রগা খরনা লোয়নমক পুবা ঙম্লোই।

মথক্তা পঞ্জিখ্রিবা ময়াম অসি মণিপুরী লোল চাউখৎনবা হোৎনবদা তঙাই ফদনা নৈনদবা য়াদ্রবা, চঙদ্রবা য়াদ্রবা ঙাক্তনি। মসিদি খর খক্কী ৱানি। হেন্না কূপশিনবা ফজবা পোৎশক্তি অখঙ-অহৈ একাদেমিসিয়ান ময়াম য়াওদনা য়ারোই। হৌজিক মরা চেৎপা লেঙ্গুয়েজগী ওইবা মপূং ফাবা পোলিসি অমা শেম্বা মথৌ তারি। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না হান্না ঙাঙনরম্বা লোল, ৱাহৈ, খোন্থোক, পোৎকী মমিং হোংদোক্লরক্লি। খঙদবা কয়া লৈরক্লি। খর কুইশিনখ্রগদি ৱাহৈ ফাওবা মাঙলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মণিপুরী লোলনা চাউখৎলম্বদি লমদমসিদা ঙাঙনরম্বা চীং অমসুং তম্পাক্কী মীওইশিংনা লোলফাও লোল ওইনা শীজিন্নরম্বা ৱাহৈ কয়া, খুল্লক-লৈরক্কী, শাগৈগী মীওই কাঙলুপ, ফুরুপশিংগী লোল, ৱাহৈ কয়ানা পুনশিল্লগা লৈরম্বা কয়া অদুগী খুদোল য়াওরি। হৌজিক তাবা ফংদ্রবা, খঙগে থীবদা ফংলোইদবা লোল, ৱাহৈ কয়া অমসু লৈরবনি। পূন্নমক অসি অচঙবা একাদেমিসিয়ানশিংনা অথুবা মতমদা লেঙ্গুয়েজ পোলিসি অমা পুথোকপীদুনা কন্নবা হোৎনহৌবা হায়বসি থেঙমল্লবনি। ৱাহৈ, লোল অমদি ময়েক্না মাঙখ্রবদা ৮শুবা সেডুল্ডদা চল্লে হায়দুনা কান্নবা লৈতে। হৌজিক্তি থবক খূদিংমক ঐখোয়গী লীংজেল মান্নবা অমদি থৱায় য়াওবনা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

## ইনে লৈবাকলৈ

**হন্দক্তা** ঈশিং ঈচাওনা পূল্লং লংলুরবা মতুং নোং হাইগৎখ্রে। ঈশিংনা পাত্থহল্লবা নাপী-শিংবী অমদি ইঙ্খোলগী এঞ্জাং-নাপীশিংগী অপূম্বা মনম্না পুমহা হারে, মখল কয়াগী লায়না কয়াসু মচি-মচিদা শন্দোরকপগী পাউসু তানরে। পূম্নমকসিগী অৱাবসি চাং খেন্ননা তাইবঙ শেম্বা মপূনা পী। ঈশিং চাউরবসু অৱাংবা দলালদা লৈবা, চাবা থকপা ৱাৎতবা কাঙবুদি ফৈ। নোংমগী শুরগা চাজবা, ময়ূমসু নাতৈ চাজদবা কাঙবুদদি ঈশিং চাওরবসু, ঈশিং হন্থরবা মতুংসিদসু হেন্না চাউনা খেন্নবা পীরি। ঈশিং চাওবা ফরগা লৈফম লৈতবা য়াম্না লৈরি। ঈশিং চাওরিঙৈদদি মীয়াম্না অমদি গভর্ণমেন্টনা চেঙ মেরুক অমতা ওইরসু পীবিদুনা ময়াম পূন্না লৈমিন্নবা (রিলিফ কেম্প) তা থন্বীদুনা থোইনবু অৱাবা খঙলুদে। হৌজিক্তি ঈশিং হন্থখ্রবনিনা রিলিফ কেম্পসু থুপচিন্নরক্লে। তঙাইফদনা য়ূমদা চঙবা তারি। অদুবু মরাইবক থিবদগী হেন্না থিরবী ইনে লৈবাকলৈদি হৌজিকসু ময়ূম চঙফম লৈত্রি।

ইনে লৈবাকলৈ, মচা নুপা অমতগা মাগা লৈজবনি। মচাদু ক্লাস নাইন হন্দক কাবনি। নোং চুবা হৌদ্রিঙৈদগী হৌনা অঙাংদু মশা ঙমদদুনা লৈরিবনি। ঈশিং কন্না চাওরকপদুদা মবুংগী মনাক্তা থমখিবনি। অদুদগী হৌজিকসু হল্লক্ত্রি। ইনে লৈবাকলৈগী য়ূমসি ফীভম য়াম চাদে, পাখন মচা অমা খল্লগা, ইনেম নেম্না শাবনি। হন্দক্কী ঈশিং চাওবদুদা লৈকায়গী য়ূম খুদিংমক মঙক য়ৌনা থুল্লবসু য়ূম ফাওবগী মশক্তি উবনি। ইনে লৈবাকলৈগী য়ূমদি উবা ফংখিদে ঈশিং মনুংদা লৈখি। নিংথিনা য়ুম্ফম থোনখিদবা, ফক্লাং নীংথিনা খাখিদবনা ঈশিং হন্থরকপা মতমদদি ইনেগী য়ূমদি লোইনমক ফম্মগা লৈরম্মে। কাইদনো ঈশিং হন্থরে হায়দুনা ইনেনা য়ূম চঙলগা লৈরুদৌরিদুবো। ময়াম মমাঙদা কপ্পদি থৌনা লৈতবী তানি খন্দুনা ইনে কপ্তে, অদুবু মথম্মোয়দদি মপী চদুম চদুম শিন্থরি। মচানা নহান নোংমা মশা ঙমদনা লাক্লম্লগা ফমথখ্রবা য়ূমদু য়েংলগা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা মমিৎতু মমাদা য়েংলগা শোন্থাংননা 'ইমা...' হায়না কৌখিবদো মদুগী খোঙজেলদু ইনে লৈবাকলৈনা মনাকোং য়ৈশিনবমুক হৌনা তাখি।

'ইচাসিদি ৱারুনুদা ইমানা লোইনা শেমজিনগনি, মামোগী য়ূমদুদা মতম খরা লৈখো, ইমানসু হায়নখ্রবনি, ইমা ঐখোয় য়ূমসে অমুক্তা শেমজিনখিগে', ইনেনা মচাদা থেমদুনা হায়খিবনি। মচা নুপা মথৱায় য়াম্না নুংঙাইতনা চৎখি। ঙসি নুমিৎ ১৫ নি হেল্লফাওবা ইনেদি তৌফম খঙদনা লৈরি। য়ূমথক কুপ্লম্বা জিঙ্খ্ন অমনবা শেগাইবদু তাশিন খোমজিল্লগা মচি অমদা পৈরি। মশীংদি ৱাৎলি, ঈশিংনা অনীগুম্বা চেন্থখিবা মাল্লে, কনানসু হায়রক্ত্রে। কিন্থখ্রবা ফক্লাং, য়োৎপী য়ৈশিন্দুনা ফারম্বা থোঙ থোঙনাও ময়ামদু তাশিনবা হৌজিকসু লোইদ্রি। অসুক ৱাবা পুন্সি মহিং অমদা মহাকপু মথন্তা হুন্দোকপীরম্বা লৈখিদ্রবা মপুরোইববুসু করিগুম্বদা ৱারৌবা য়াওরকই। অদুবু কৈদৌরুনি, লৈখিদ্রে, হৌজিক মহাক্না তৌগদবসি করিনো? গভর্ণমেন্টতা তাইনগদ্রা, মতেং পাঙবা লাক্লম্বা পুকচেল চাউবশিং অদুদা হায়গদ্রা? কনাদা হায়গনি, কনানসু মাগী মতেং পাঙবীনবা হৌজিক্তি লৈত্রে। মরকসিদা মাসু লাইহৌ হৌরক্লিবসি নুমিৎ নীনি শুরে, ঙরাংদি করিসু চাদে, ঈশিং অশাবা খরা থক্লগা লৈনিন কাবা ইমুংদা কাঙথক হাদুনা থারিবা হিদান্দুদা অহিং চুপ্পা তূম্বা য়াদনা নোঙাল্লকখিবনি। মশাদু পুমচোক চোকথরে, অদুবু নারে হায়দুনা ফমদুনা লৈথোকপদি ঙমদে।

ঙসাই অয়ূক্তগী লোক লাইহৌ তৌনা তৌনা তেক- কায়রবা ময়ামশিংদু লোইশিন্নবা হোৎনরি। নুংশানা হেক্তা অয়ৌবী থানা শাগৎলকই। ইনে লৈবাকলৈ ঙমদ্রে হায়দুনা করম্না ফমদুনা, হিপ্পুনা লৈগনি। তেক্লি তেক্লি শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা য়োৎপাক অমা পায়দুনা ফক্লাংদগী কিন্থরকপা লৈবাকশিংদু কোথোকপা ঙসাইদগী মঙম শান্দনা হোৎনরি। থোঙ্গাল্লোমদগী নুপামচা অমা হোবে-হোবে চঙলক্লগা পাউ অমা তল্লি।

'ইন্দোমচা, বোইচাদু ঙসাই অয়ূক্তগী ডাক্তরদা পুখৎতুনা লৈরি, ইন্দোমচা ঙাইহাক্তা লাকপীয়ু হায়রকই'। ৱাদু তাবদা ইনে লৈবাকলৈ শ্বাই লাওই।

'কমাই তৌরিনো'?

'খঙদে, নুমিৎ নীনি শুরবনি ঙম্লক্তবা, নহানদগী ইন্দোমচাদা হায়দবনি, ডাক্তরনা হোস্পিটালদা লৈত্রদি য়াররোই হায়রকপদগী মীং চল্লগা লৈবনি'।

'হোই হোই ...' নুপামচাদু চৎখ্রে, ইনে লৈবাকলৈ মশাদু হেন্না চোকথরকই, লৈমায়দা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দুনা ফমথরগা তরংদা য়েংদুনা লৈরি।

বোইচা আই সী য়ুদা পুশিনখ্রে হায়দুনা লৈরম্মী। ময়াম অমা কোয়চেন চেন্নরি, মবুংসু ডাক্তরগী কাদা অমুক চঙই, অমুক থোকখি, লৈবাকলৈ লাকই হায়বা ফাওবা উরসু ৱারী শানবা ফংদে। ইনে লৈবাকলৈ ৱাসু হায়দে তুমিন আই সী য়ু চঙফমগী মচি অমদা ফক্লাংদা ঙাশিন্দুনা ফম্মী। মবুংদু আই সী য়ুদা থুনা চঙখি। ইনে অদুম য়েংলি। ঙাইহাক লৈরগা মবুংদু মমায় লুকথরগা ফী অঙৌবনা কুপ্পা ত্রোল্লি অমা ইন্দুনা থোরকই। ইনে লৈবাকলৈ তপ্না হৌগৎলগা মুন্না য়েংই। ত্রোল্লিদু অদুম ইন্থোকখ্রে, ইনে লৈবাকলৈদি অদুম লেপহৌরি। মবুংগী নুপী ইনম্মদু চঙশিল্লক্লগা মাবু লেংজুমদা কোল্লগা চৎলসি হায়না হায়রকপদা, ইনে লৈবাকলৈনা মনম্মদা মুন্না য়েংলগা, মপি চদুম অমা অনী তারকই, ৱাদি ঙাঙদে, খঙহৌদনা মাসু লেকথরকই। ময়াম চেনশিন্দুনা কোয়লাং লাংনরি, ডাক্তর অমা থুনা চঙলক্লগা, ইনে লৈবাকলৈগী থবাক্তা মখূৎ অনীনা কন্না কন্না নমদুনা হোৎনৈ। অদুবু উপায় লৈতবগীরা ডাক্তর হৌগৎলগা মখূৎ থারবগুম ময়ামদা য়েংলম্লগা ৱা হায়দনা তুমিন থোকখি। ঙাইহাক লৈরগা ফী অঙৌবা পায়বা নর্স অমা অনী চঙখিবা উই।

*-নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## ঙাঙথোরকপা ৱাহৈনা মশক তাকপা

**মমিৎ** তাংবা সাধু অমা লৈরম্মী। মহাক উমংগী খাঙপোকশঙ অমগী মনুংদা লৈরম্মী। নোংমা নিংথৌ অমা মহাক্না লৈরিবা জঙ্গল অদুদা মহাক্কী মন্ত্রি অমসুং সিফাই অমগা লোয়ননা শা তানবা লাক্লম্মী।

জঙ্গলদা থুংবা মতমদা নিংথৌনা ফজরবা শজি অমা উখি। নিংথৌনা শজি লৈবা মায়কৈ অদোমদা মহাক্কী শগোল অদু থৌরম্মী। শজি অদুগী লৈফমদা শগোল থৌজিল্লকপগা লোয়ননা নুপা অমা লাকপা উবদা শজি অদু কিদুনা য়াম্না য়াংনা চেনখিরম্মী। হায়রিবা শজি অসি য়াম্না য়াংনা চেনবা ঙম্বা অতাংবা শা অমনি। য়াম্না লাপ্না তান্নরবা ফাওবদসু নিংথৌনা মহাকপু হায়বদি শজিদুবু ফাবা ঙমখিদে। অদু ওইদুনসু নিংথৌনা মহাক্কী মতুংদা শগোল থৌদুনা তান্নরম্মী। মন্ত্রি অমসুং সিফাইগসু উনদ্রে। মখোয় য়াম্না লাপ্না লৈহৌরে। য়াম্না থেংলবা মতম ফাওবদা নিংথৌ অদু হল্লক্তবদদি মখোয় অনীমক য়াম্না নুংঙাইতবা ওইরে।

মখোয় অনীনা নিংথৌবু থিবা চৎলম্মী। সিফাই অদুনা মন্ত্রিগী মাং থাদুনা চৎলম্মী। খরা লাপ্না চৎলবগী মতুংদা সিফাই অদুনা মমিৎ তাংবা সাধু অমগী খাঙপোকশঙদা লাক্লম্মী। খাঙপোকশঙ মনুংদা সাধু অদু ফল্লম্মী।

সাধুগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা সিফাই অদুনা হংলম্মী - হে মমিৎ তাংবা তাউ, মসিদা কনাগুম্বা নুপা অমা লাকখিবরা?

সাধু অদুনা পাউখুম পীরম্মী - ঐ খঙজহৌদ্রে।

সিফাই অদু মফম অদুদগী মাং থাদুনা চৎখ্রে। মীকুপ খরগী মতুংদা মন্ত্রি অদুসু মফমদুদা থুংলম্মী।

মহাকসু সাধু অদুগী মনাক্তা চঙলক্লগা মহাক্লসু সাধুদা হংলম্মী - সাধু! অসোমদা কনাগুম্বা মীওই অমা লাকখিবা লৈবরা?

সাধুনা পাউখুম পীরম্মী - হোয়, সিফাই অমদি কনাগুম্বা মীওই অমা থিবা লাকখি।

মন্ত্রিসু মফমদুদগী মাংলোমদা চৎখ্রে।

নিংথৌসু মখোয় অনীবু থিনা থিনা মফম অদুদা লাক্লম্মী।

নিংথৌ অদুনসু অসুম্না সাধুদুদা হংই - হে মুনি অথোইবা! অদোম্বু খুরুমজরি, অসোমদা কনাগুম্বা মীওই অমা লাকখিবা লৈবরা?

সাধুনা পাউখুম পীরম্মী - হোয় ইনিংথৌ! মফমসিদা অহানবদা সিফাই অমা লাক্লম্মী। মহাক তশেংনা অদোম্বু থিবা লাক্লম্বনি। মহাক্কী মতুংদা অদোমগী মন্ত্রি লাক্লম্মী। মহাকসু তশেংনা অদোম্বু থিবা লাক্লম্বনি। মখোয় অনী হৌজিক মফম অসিদগী চৎখ্রে।

নিংথৌসু সাধুগী ৱাদু তারবা মতুংদা মাংলোমদা চৎলম্মী। মীকুপ খরগী মতুংদা মফম অমদা মখোয় অহুম নিংথৌগী সিফাই, নিংথৌগী মন্ত্রি অমসুং নিংথৌ মশামক পূন্না উনরম্মী।

সিফাই অমসুং মন্ত্রিনা সাধুগী ৱা তারগা মখোয় অহুম য়াম্না ঙকই মদুদি সাধু অদু মমিত্তি তাংই অদুগা মহাক্না ঐখোয়বু কমদৌনা মশক খঙলিবনো? মখোয় অহুমদু চিংনবদু কোক্ল বগীদমক সাধুগী মনাক্তা চৎলম্মী।

নিংথৌনা সাধুদা হংই - হে সাধুরাজ! অদোম মীৎতি উদ্রে। অদুবু অদোম্না ঐখোয় অহুমগী মশক্তি খঙই। থৌজানবীদুনা হায়বীয়ু অদোম্না ঐখোয় অহুম্বু মতৌ কমদৌনা মশক খঙলিবনো?

মতম অদুদা সাধুনা হায়রম্মী - ইনিংথৌ! মীগী মশক্তি মহাক্কী ৱা ঙাঙথোরকপদগী খঙবা ঙম্মী। মদুগীদমক মিৎকী করি দরকার লৈরিবগে। তাবীয়ু ঐনা তাবদি নিংথৌনা শা তানবগীদমক জঙ্গলদা লাকই। ইহান হান্না ঐগী নাক্তা মী অমা লাক্লম্মী।

মহাক্না ঐঙোন্দা হংই - হে মিৎ তাংবা! শোমদা কনাগুম্বা মী লাকখিবা লৈবরা?

মহাক্কী ৱাহৈগী খোনফমদগী ঐনা খঙবা ঙম্মী মদুদি মসি নিংথৌগী সিফাই ওইগনি হায়বা । মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা নুপা অমা অমুক লাক্লম্মী।

মহাক্না ঐঙোন্দা হংই - সাধু! সোমদা কনাগুম্বা নুপা অমা লাকখিবরা?

মহাক্কী ৱাহৈগী খোনফমদগী ঐনা খঙবা ঙমখি মদুদি মহাক শোয়দনমক্কী নিংথৌগী মন্ত্রি ওইগনি।

অমুক মখা তানা অহুমশুবা নুপা অমা লাক্লম্মী।

মহাক্না ঐঙোন্দা হংলম্মী - হে সাধুরাজ! অদোম্বু খুরুমজরি অসোমদা কনা কনাগুম্বা মীওই অমা লাকখিবা লৈবরা? মহাক্কী ৱাহৈগী খোনফমদগী ঐনা মসি নিংথৌ সাহেব অদোম ওইগনি হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি।

*হন্দোকপা - কে শ্যামসুন্দর শর্ম্মা*

---

## লুপা চৎপী

**চহী** হুম্ফুতরা হেল্লবী শংবান্নবী অসুম ফল্লম্বদগী পোৎ অমা থিগে হায়দুনা হৌগৎলগা মাগী থায়নগী তরং উপু অমনবদু হাংদোক্লুই। উপু মনুংদুদা চে অমনা য়োল্লগা য়াওরম্মী লুপা চৎপী পেদ্রেক-পেদ্রেক লাওবা অমা। মদু উবদা খঙনীং নীংশিংলকই, মাগী থায়নগী থৱায় ওইরম্বা মনিতোম্বনা নোংমা মাগী লৈকায়দা লাকপদা মনঙ্গন্দা পোরিবী মচানুপীদুদা অচাপোৎ চানবা পীরম্বনি। করিগীনো খঙদে শংবান্নবীনা লুপা চৎপীদুবু অসুক চেকশিন্না থল্লিবা।

মথং মথং নীংশিংলকই মমাঙঙৈগী থৌদোকশিং। মবুং ইবোতোম্বগী মমান্নবা মনিতোম্বা মাগা কয়াদা চান্নজখিবা। মবুং লৈতবা মতমদা হেক হেক লাকই হংজিন্নবা। লৈতে খঙনা খঙনা হংলিবনি হায়বা শংবান্নবীসু খঙই। বারুনি কাবা চৎমিন্নে, বর লাই খুরুম্বা চৎমিন্নে। ইখঙ খঙহৌদনা নোংমদি শংবান্নবী মকোক্তা ব্রজ তাবগুম থোকখি।

মমান্নবী অমনা হায়রকই - মনিতোম্বদু নুপী অমগা হায়ন-শিংনরে হায়না।

মনিতোম্বনা পাউ থারকই শংবান্নবীগা উননবা। শংবান্নবীনা উনবদি পামদ্রবনি অদুবু য়াম্না খল্লবা মতুংদা উনরে নোংমা।

মনিতোম্বা - শংবান্নবী ইবানি কদাইদনো অমা চৎখ্রসি, ঐ লুহোংবা শুকঙম ঙম্লোই।

শংবান্নবী - তা মনিতোম্বা ঐগী মরমদগী লুহোংবা কায়বা হায়বদুদংদি থোকহনবীগনু, চেল্লবসু লুহোংবা লোয়রগা চেল্লসি।

মনিতোম্বদু শংবান্নবীনা হায়বদু থাজরম্মী । অসুম্না মখোয় অনী ময়ূম-ময়ূমদা হন্নখ্রে।

মনিতোম্বগী লুহোংবা নুমিৎনি। শংবান্নবীসু কায়রবা থম্মোয়দু পুদুনা লুহোংবদু য়াওরম্মী। লুহোংবা লোইরগা ময়ূমদা পরপ-পরপ হল্লক্লগা মফি মরোলদুফাও থুপচিন্দবমখৈ ফমুংদা ফৈজুপ চিংখৎলগা হিপ্লম্মী।

মনিতোম্বসু লুহোংবগী মফি মরোলদু হোংদোক্লম্লগা ইবোতোম্বা হংজিন্নবা ওইনা লাকই।

শংবান্নবীগী নুংশি ৱাখলদা মাসু লৈতাফম খঙলমদে। মা লাকপগী মখোল তাবদা শংবান্নবীদো অরুম হৌবা শাদুনা মখোল থোক্না নিকশিন্নরম্মী। মমাদা ফৈজুপ অমত্তগা হাপচিল্লকউ হায়রম্মী। মমানা ফৈজুপ লৌবা চঙখ্রিঙৈদা মনিতোম্বদু অশেংবা মান্দেদা হায়না মতোমতা মুরুম-মুরুম শোল্লম্লগা চৎখ্রে।

কায়রবা থম্মোয় অনী খুন্নাইগী মীনোক মৈশা কিবদগী কায়নবা তাখি।

থা অমগী মতুংদা শংবান্নবীসু হায়ন-শিংনদুনা নুপা অমদা লুহোংখ্রে। অদুবু কাউনবদি ঙম্নদে।

লুহোংবা মতুং থা অহুম্মুক লৈরগা নোংমা শংবান্নবীগী মখুরাগী মচা অমুজাওগা মনিতোম্বগা শংবান্নবীগী য়ূমদা লাকমিন্নে, থবক অমা চৎলুবদগী চঙলকপনি হায়জিন্নে।

শংবান্নবীসু মপুরোইবগী মমাঙদা ইচম চম্বা শাজিন্নদুনা চাক চাখ্রো হায়দুনা শগোলহৱাই থোংলগা পীজরে। ঙাইহাক পোত্থারগা চৎখ্রে মখোয় অনী।

ইচম চম্না শংবান্নবীনা মতুংদসু তাঞ্জা চাবদা অদুম চঙলকউ হায়রগা লৈহৌরে।

চহী অনীমুক্কী মতুংদা নোংমা শংবান্নবীগী লৈকায়দা লীলা অমা তৌই। শংবান্নবীনা মচানুপী অপীকপদু পোরগা থোরকপদা মনিতোম্বদো গোং লাওনা থেংনরে। ইঙক ঙকই শংবান্নবীদো, নুমিদাংদুদা খঙহৌদনা থেংনবদুদা।

মনিতোম্বনা ফুরিৎ খাওদগী লুপা চৎপী পেদ্রেক-পেদ্রেক লাওবা অমা লৌথোক্লগা অঙাংদুদা অচাপোৎ চানবনি হায়দুনা পী। শংবান্নবীনা মাগীসু পৈশা য়াওরি পীরমগনু হায়। মনিতোম্বনা নমদনা পীরম্লগা চৎখ্রে।

শংবান্নবীগী মচানুপানা ইমা ইমা হায়না কৌরকই। মীকুপ্তুদা শংবান্নবী থায়নগী ৱারী নীংশিংলম্বদু মাঙখি। মহাক্না পেদ্রেক-পেদ্রেক লাওবা লুপা চৎপীদু নীংথিনা য়োমশিন্দুনা থনম্লগা থোরকই। শংবান্নবীগী মথম্মোয়দা খনখি, নহাক্তি লেংদনা লৈরিকো ইনাক্তা 'লুপা চৎপী'!

*- ডা. নির্মলা রাজকুমারী*